# শিব সেনা–কোংগ্রেস–এন সি পিগী গভর্ণমেন্ট অমা মহারাষ্ট্রদা শেম্লবা য়ানা লৈরে





***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ*** মহারাষ্ট্রদা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী ফল ওক্টোবর ২৪দা লাওথোকখ্রবা মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা ঙমদনা লৈরকখিবা অদু কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিনা শিব সেনাগা লোয়নননা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী কমন মিনিমম প্রোগ্রাম অমা লোয়শিল্লদুনা, লোয়নননা শক্তি য়েন্নবগী মতাংদসু য়ান্নদবশিং কোকহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লিবা নুমিৎ নীনি হুন্নিগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লবা য়ানা লৈরে।

কোংগ্রেস পার্টিগী ৱারেপ লৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী ৱাংবা বোদি ওইরিবা কোংগ্রেস ৱার্কিং কমিটিনা ষ্টেট অসিদা শিব সেনাগা খূৎশন্নবা পার্টি অসিদা অয়াবা পীখ্রে। পার্টিগী মকোক লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীনা চিয়ার লৌদুনা পাংথোকখিবা কোংগ্রেস ৱার্কি কমিটিগী মীফম অদুদা মহারাষ্ট্রদা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মতাংদা ময়েক শেংলবা ফিভম অদু হয়েং ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা খঙলবা য়াই হায়না কোংগ্রেস লিখুলশিংনা হায়খি।

কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংদা ন্যু দিল্লিদা শাংলবা মীফম অমা পাংথোক্লবা তুংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর পৃথিবি রাজ চাৱননা ষ্টেট অসিদা মরা চেৎপা গভর্ণমেন্ট অমা থুনমক শেম্লবা য়াবগী থাজবা ফোঙদোকখি।

ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কোংগ্রেস–এন সি পি এলায়েন্সনা মখোয়গী য়ান্না য়েংথিনবা শিব সেনাগা খূৎশন্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী ময়েক শেংবা ইঙ্গিৎ পীখিবনি।

ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লৈঙাক চল্লাইনবগী কমন মিনিমম প্রোগ্রাম লেপথোক্লবা তুংদা এন সি পি চীফ শরদ পৱারগী য়ুমদা পার্টি অনীদুগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ামরুম অমুক হন্না উন্নখি হায়না লিখুনশিংনা হায়খি।

উন্নখিবা অদুদা কোংগ্রেসকী অহমেদ পতেল, জয়রাম রমেশ অমসুং মালিকার্জুন খরগে অমসুং এন সি পিগী প্রফুল পতেল, শুপ্রিয়া সুলে, অজিৎ পৱার, জয়ন্ত পাতিল অমসুং নাবাব মালিকনচিংবা লুচিংবশিং য়াওখি।

ষ্টেট অসিদা গভর্ণমেন্ট পায়নবগীদমক পার্টি অহুম অসিনা খূৎশন্নরে হায়বদু হয়েং ইরাই নুমিৎতা ফোর্মেল ওইনা লাওথোক্লবা য়াই হায়রি।

মদুগী মতুংদা পার্টি অহুম অসিনা গভর্ণমেন্ট অমা শেন্নবা মখোয়গী পূন্সিন্নবগী মখোয়গী ৱরেপ অদু পল্লদুনা মহারাষ্ট্রদা গভর্ণরদা তোঙান – তোঙানবা চেরোলশিং থাজিল্লবা য়াই হায়নসু লিখুল অমা ফোঙদোক্লি।

মসিগী মমাঙদা শিব সেনাগী সেনিয়ার লিদর এম পি শঞ্জয় রাউতনা কোংগ্রেসকা লোয়নননা পার্টি অনী অসিনা নোংমা নৎত্রগা নীনিগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মতাংদা ৱারেপ অমা শোয়দনা লৌরগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখিবনি।

ওক্টোবর ২১দা পাংথোকখিবা মহারাষ্ট্র ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা এলায়েন্স তৌনখিবা বি জে পি অমসুং শিব সেনানা মেম্বর ২৮৮ লৈবা এসেমব্লিদা মথঙশিংনা সিট ১০৫ অমসুং ৫৬ ফংদুনা ফজনা মেজোরিটি ওইখিবনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টরগী ফম য়েন্নবগী শিব সেনাগী দিমান্দদা বি জে পিনা য়াদবদগী পার্টি অনীদু কায়নরকখিবনি।

নাকল অমরোমদা কোংগ্রেস অমসুং এন সি পি এলায়েন্সনা মথংশিংনা সিট ৪৪ অমসুং ৫৪ ফংখি। বি জে পিগা তৌনবা এলায়েন্স কায়নরবা তুংদা শিব সেনানা কোংগ্রেস–এন সি পি এলায়েন্সকা ৱারী শান্নবা হৌখি।

# জয়পুরদগী নুপামচা হ্রিদয়েশ্বর ভাতিনা মালেমগী খ্বাইদগী নাহা ওইবা দিফরেন্টলি–এবল পেটেন্ট হোল্ডর ওইরে

***জয়পুর, নবেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ*** শাথিবা লায়না অমনা নারিবা জয়পুরদগী তোপ–তোপ্পা হৈথোই–শিংথোইরবা অঙাং অমা ওইরিবা হ্বীলচিয়ারদগী হেন্দোক্ত্রবা মশাগী চহী ১৭ শুরবা হ্রিদয়েশ্বর সিংহ ভাতিবু গভর্ণমেন্টনা আউটষ্টেন্দিং ক্রিয়েটিব চাইল্ড কেটেগোরিগী মখাদা নেসনেল এৱার্দ অমগীদমক খনখ্রে।

পেটেন্ট ৩ য়াওনা ইনভেন্সন ৭ মহাক্কী মিংদা লৈরবা হ্রিদয়েশ্বর সিংহ ভাতি দুচেন্নে মস্কুলার দায়ষ্ট্রোফিদগী নারি অমসুং মহাক্কী থোইদোক হেন্দোক্না হৈশিংবা অদুগীদমক মনা কয়ামরুম ফংখ্রে।




আউটষ্টেন্দিং ক্রিয়েটিব চাইল্ড (মেল)–২০১৯গী কেতেগোরি মখাদা নেসনেল এৱার্দ ফোর ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ, ২০১৯গীদমক হ্রিদয়েশ্বর সিংহ ভাতিবু খল্লে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইনপৱারমেন্টতগী লেট্টর অমনা হায়খি।

এৱার্দ অদু দিসেম্বর ২দা দিল্লিদা পাংথোকপা থৌরম অমদা লাম্থোক্কনি। মহাক হ্বীলচিয়ার–বাউন্দ অমসুং শাথিবা লায়না অমদগী নারবসু মহাক্লা চেস ভেরিয়েন্স ইনভেন্সনশিংগী ফিল্ডদা লৈবাক অসিবু খ্বাইদগী মকোক্তা পুরকখি হায়না মহাক্কী মপা শরোৱর সিংহ ভাতিনা পি টি আইদা হায়খি।

মহাক্লা মশাগী চহী ৯ শুবদা ২০১৩দা অহানবা ওইনা সিক্স–প্লেয়র সার্কুলর চেস পুথোকখি অমসুং লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী নহা ওইবা পেটেন্ট হোল্ডর অমসুং মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইবা দিফরেন্টলি–এবল পেটেন্ট হোল্ডর ওইখি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

হ্রিদয়েশ্বর সিংহ ভাতিনা ১২–প্লেয়র অমসুং ৬০–প্লেয়র সার্কুলর চেসসু ইনভেন্ট তৌখি অমসুং মদুগীদমক পেটেন্টশিং ফংখি।

মহাক্লা ভেহিকল ২দা পৱার ভেহিকল এক্সেসিবিলিটিগীদমক রাম্প মোদিফিকেসন, ১৬x১৬ সুদোকুসু পুথোকখি অমসুং মখোয়সিগীদমকসু পেটেন্টশিং লৌনবগী চে থাগৎখ্রে।

মহাক্কী লৌশিংগী তৌবঙম্বা শক্তি অসি ময়ামদগী য়াম্না হেন্না থোইদোক হেন্দোকই অমসুং অয়াম্বা মতম য়ুমদা অনৌবা ইনভেন্সনশিং পুথোক্লবগী হোৎনদুনতা লৈ।

এস বি আই অমসুং অতৈ ওর্গনাইজেসনশিংনসু মহাকপু এৱার্দ কয়া পীখ্রে অমসুং মহাক্লা মখল কয়াগী থৌরমশিংদা পুক্লিং ইথিল পীনিংঙাই ওইবা ৱাশিং ঙাংখ্রে।

# লোক সভা স্পিকর ওম বিরলানা হাউসকী ৱেলদা চংশিলক্তনবা ওপোজিসন এম পি শিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে



***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ*** পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমগী মরীনি শুবা নুমিৎতা ৱাহং–পাউখুম মতমদা লোক সভাদা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা খোল্লাওশিং লাওরকপদগী হাউস অসিগী লেমজনিঙাই ওইরবা ঈজৎ ঙাক্তুনা থমগদবনি হায়রদুনা স্পিকর ওম বিরলানা মেম্বরশিংনা খঙহনখ্রে।

হাউস অসিগী দিগ্নিটিগী ঙাক্তুনা থম্বা অসি ঐখোয়গী ইথৌনি। চানবিদুনা হাউসকী ৱেলদা চংশিল্লক্কনু।

দিবেট অমসুং দিস্কসনগীদমক ঐহাক্লা মতম পুন্নমক্তা এম পি পুন্নমক্তা তাঞ্জা অমা পীখি হায়না ঙসিগী মীফম অদুগী হৌরকখিবা হেক মতুং থুনমক খোল্লাওশিং লাওদুনা স্পিকরগী পোদিয়ম মনাক্তা চংশিল্লকখিবা প্রোটেষ্ট তৌখিবা মেম্বরশিং অদুদা ওম বিরলানা হায়খি।

হাউসকী ৱেলদগী প্রোটেষ্ট তৌদুনা চিয়ারদা মেম্বরশিংনা অতম্ননা ৱা ঙাংনবা হোৎনরকপা তারবদি তঙাইফদনা মহাকপু থবক লৌখৎহল্লক্কনি হায়না স্পিকরনা মেম্বরশিং অদুদা ৱার্নিং তৌখি।

স্পিকর ওম বিরলানা হায়খি, মমাঙগী মতমদা মেম্বরশিংনা হাউসকী ৱেলদগী চিয়ারদা ৱা ঙাংবগী থৌদোকশিং লৈখিবা য়াই। করিগুম্বা মদু ঙসিগী মতুংদা থোক্লকপা তারবদি তঙাইফদনা ঐহাক্লা থবক লৌখৎলক্কনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

নীংথম মীফম অসিগী মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা চহী অসিগী অরোইবা ওইবনা মীফম অসি মরুওইবা অমনি অমসুং লোমেকর পুন্নমক্লা খন্ননৈনবা অসি মগুন লৈবা ওইহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং য়াগদবনি হায়খি।

পার্লিয়ামেন্টতা থরুম লৈনদনা খন্ন–নৈনবা অমা মথৌ তাবগী মতাংদা পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা মগুন লৈবা দিবেট তৌবা মরুওই অমসুং দাইলোগ অমসুং দিস্কসন শোয়দনমক তৌগদবনি লোয়নননা পার্লিয়ামেন্টতা খন্ন–নৈনবশিংবু হেন্না মগুন লৈহন্নবা খুদিংমক্লা থৌদাং য়াগদবনি হায়খি।

# সি বি আইদা ফম ১,০০০ হেন্না হাংলি ঃ গভর্ণমেন্ট




***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ*** সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)গী লৈফম থোকপা পোষ্ট মশীংগা য়েংনবদা এজেন্সি অসিদা ফম ১,০০০ হেন্না হাংলি হায়না ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

অইবা পাউখুম অমদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পার্সোন্নেল জিটেন্দ্র সিংহনা পীবা দাটা অমগী মতুং ইন্না সেঙ্কসন ষ্ট্রেন্ট ৫,৫৩২ ওইবদা পুন্না ৪,৫০৩ মেনশিনখ্রগা অহাংবা ১,০২৯ লৈহৌরি। অহাংবা ফমশিং অদু মেনশিন্নবা সি বি আইনা কন্না থবক পায়খৎলি হায়না মহাক্লা হায়খি।

অহাংবা ফম মশীং ময়ম অমা একজিক্যুটিব রেঙ্কশিংগীনি। একজিক্যুটিব রেঙ্কশিংদা টোটেল ষ্ট্রেঙ্থ ৫,০০০ ওইগদবদগী মনুংদা ৪১৪০ লৈরে। লো ওফিসারগী রেঙ্কতা ৩৭০ লৈগদবদা ২৯৬ রোম লৈ। ১৬২ লৈফম থোকপদা টেক্নিকেল ওফিসার ৬৭ লৈ হায়না দাটা অদুনা হায়খি।

দিল্লি স্পিসিয়েল পুলিস ইষ্টাব্লিসমেন্ট এক্ট, ১৯৪৬কী মখাদা ক্রাইমশিং ইনভেষ্টিগেসন তৌনবগীদমক সি বি আইনা মসিগী শক্তিশিং ফংলি। সি বি আইনা চখবা কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসনদা সেন্ট্রেল গভর্ণমন্টনা খুৎ থিংজিনবা ঙমদে।

দাইরেক্টর, সি বি আইদা শিজিন্নহন্নবা হেন্না চাওবা ফাইনান্সিয়েল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব পৱারশিং পী হায়না মিনিষ্টির ওফ ষ্টেট ফোর পার্সোন্নেল জিটেন্দ্র সিংহনা রাজ্যা সভাদা থমখি।

# অনৌবা প্রসিদেন্ট গোতাভয়া রাজাপক্সানা ময়াম্বা হান্নগী প্রসিদেন্ট মহিন্দবু প্রাইম মিনিষ্টর হাপখ্রে

***কলম্বো, নবেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ*** শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেনা মহাক্কী ফমদগী হৌনবী মতুং ইন্না থাদোকখ্রবগী মতুংদা লৈবাক অসিগী হান্নগী ষ্ট্রোংমেন মহিন্দ রাজাপক্সানা ঈথৎ লৈবাক অসিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা ওইনা শগোলশেল নুমিৎতা ৱাশক লৌখ্রে।

হন্দক নৌনা মীখল খনখিবা প্রসিদেন্ট গোটাভয়া রাজাপক্সাগী ময়াম্বা মহিন্দ রাজাপক্সানা আগষ্ট ২০২০দা জেনরেল ইলেক্সন পাংথোকত্রিবা ফাওবা কিয়ারটেকর কেবিনেটকী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থবক তৌরগনি।

অচুম্বা মরম অমগী লালহৌবা (এ রিবেল ৱিথ এ কোজ) অমনি হায়না মশানা শক্তাকচবা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা লুচিংবা অসিনা ২০০৫তগী ২০১৫ ফাওবা লৈবাকসিগী প্রসিদেন্ট ওইরমদুনা খা এসিয়াগী খ্বাইদগী মতম শাংনা থবক তৌখিবা লুচিংবা ওইখি।



মহাক ২০১৮দা মতম খরগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরসু ওইরমখি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ৱিক্রেমেসিংঘেনা মহাক্কী পার্টিনা প্রসিদেন্সিয়েল মীখলদা মায়থিখ্রবগী মতুং ফম অদুদগী মহাক রিজাইন তৌরে হায়না লাওথোকখ্রবগী মতুং অনৌবা প্রসিদেন্ট গোতাভয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রাজাপক্সাবু অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা হাপখি।

গোতাভয়ানা নম্বের ১৬তা পাংথোকখিবা প্রসিদেন্ট মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টর ৱিক্রেমেসিংঘেগী দিপুটি শাজিথ প্রেমাদসাবু মায়থিবা পীখি।

প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনানা চয়েৎননিঙাই ৱাথোক ওইবা খোঙথাংদা প্রাইম মিনিষ্টর ৱিক্রেমেসিংঘেবু মফম লৌথোক্তুনা লৈবাক অসিবু থাজদবা কনষ্টিটু্যসনেল ক্রাইসিস অমদা লুপহনখিবা তাঙ্কক অমদা ওক্টোবর ২৬, ২০১৮দা প্রসিদেন্টনা মহিন্দ রাজাপক্সাবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা হাপখিবনি।

অদুবু হান্নগী ষ্ট্রোংমেন অসিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম অদু পায়দুনা লৈনবা কন্না হোৎনখিবা অদু চৎনবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টকী মরুওইবা ৱায়েল অনী পীরকখিবদগী মহাক দিসেম্বর ১৫দা ফম থাদোকখি।

লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা কোন্না প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা পার্লিয়ামেন্ট মুখৎখিবা অদু আইনগী ৱাংবদনি হায়না মত অমত্তা ওইনা লাওথোখি।

রাজাপক্সানা সুপ্নগী মশাগী চহী ২৪ শুরকপদা ১৯৭০দা পার্লিয়ামেন্টতা চংলক্তুনা মহাক্লা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী নহা ওইরবা পার্লিয়ামেন্টেরিয়ান ওইখি।

মচিন–মনাও অনী রাজাপক্সা অমসুং গোতাভয়ানা লিবরেসন টাইগরস ওফ তামিল ঈলাম (এল টি টি ই)গী মায়োক্তা ঈথৎ লৈবাক অসিগী চহী ৩০ শাংলবা সিভিল ৱার অদু লোয়শিলহনখিবা অচৌবা কেম্পেন অমা লুচিংখি।

অতোপ্পা পাউ অমদনা গোতাভয়া রাজাপক্সানা লৈবাকসিগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবগা লোয়নননা নোংচুপ থংবা প্রোভিন্সতা লৈবা পার্মেনেন্ট হায় কোর্টনা দোল্লর ১৮৫,০০০ রোমগী শেনফম লান্না শিজিন্নবগা মরী লৈন্নবা করপসন চার্জ পুন্নমক লৌথোকখ্রে লোয়নননা চৎনহন্দনা মহাক্কী পাসপোর্ট থাদোক্তুনা মপান লৈবাক্তা চৎপগী অথিংবসু লৌথোকখ্রে।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা স্পিসিয়েল হায় কোর্ট অদুনা করপসন কেস অমগী মতাংদা রাজাপক্সা অমসুং অতৈ মীওই ৬কী মথক্তা মপান লৈবাক্তা চৎপগী অথিংবা থমখিবনি।

ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা এট্টোর্নি জেনরেলগী মহুৎ শিন্দুনা কোর্টতা শরুক য়াখিবা দিপুটি সোলিসিটর দিলীপা পৈরিষ্টনা কোর্ট অদুদা কনষ্টিটু্যসনগী প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্টকী মথক্তা সিভিল নৎত্রগা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংশিং লৌখৎলোইদবনি নৎত্রগা চখরোইদবনি হায়খি অমসুং মরম অদুনা দিফেন্দেন্ট অদুবু মাগী মথক্তা শীরিবা মরান পুন্নমক্তগী থাদোক্লবা কোর্ট অদুদা হায়জখিবনি।

# পেরিসতা নিলাম তৌদুনা য়োনবদা ওরিজিনেল ‘টিনটিন’গী লমায় য়ুরো ৩৯৪,০০০ শিংখ্রে



***পেরিস, নবেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ*** মমিং চৎলবা ক্লাসিক ওইরবা কোমিক বুক ‘টিনটিন’গী ক্রিয়েটর অদুনা য়েক্লমখিবা ওরিজিনেল পেজ অমা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পেরিসতা নিলাম তৌদুনা য়োনবদা ফংগনি পান্নরম্বা শেনফমদগী য়াম্না হেন্না ফংখ্রে।

বেলজিয়ান কার্টুনিষ্ট হেরগে (অশেংবা মমিং জর্জেস রেমি)গী এদভেঞ্চরশিং অদুগী ৮শুবা এলবম ‘কিং ওট্টোকারস স্কেপটরদগী লমায় অদু ক্রিষ্টিস’ সেল অদুদা য়ুরো ৩৯৪,০০০ (দোল্লর ৪৩৫,০০০)দা য়োনখি। ইন্দিয়ান ইঙ্ক অমসুং ব্লু ৱাটর কলরনচিংবা শিজিন্নদুনা ১৯৪৮তা য়েকখিবা দ্রোইং অদু য়ুরো ২৮০,০০০দগী ৩০০,০০০ ফাওবা শিংকনি হায়না পান্নখিবনি।

লমায় অদুদা য়েক্লিবা সিনশিং অদুনা টিনটিন অমসুং দাকুশিংগী মখুৎতগী স্কেপতর অদু থাদোকখিনবা হোৎনরিবা মহাক্কী হুই স্নোৱি–ওরিজিনেল ফেঞ্চতনা মিলো উৎলি ‘লেন্দ ওফ ব্লেক গোল্ড’গী ৱাখলদগী য়েকখিবা ১৯৫১গী খরা পীকথবা দ্রোইং অমা য়ুরো ৬২,০০০দা য়োনখি। অদুগা ষ্টেভেন স্পেলবর্গকী ‘দ এদভেঞ্চরস ওফ টিনটিন’ কৌবা ২০১১ হিট ফিলমগী প্লোটকী ময়োল ওইখিবা য়ুনিকোর্ন সিপকী মোদেল অমা পায়দুনা লৈবা টিনটিন উৎপা ১৯৪৩গী অয়েকপা লাই অমা য়ুরো ৮১,২৫০ ফাওবা য়ৌনা য়োনখি। অদুবু টিনটিনগী অতৈ আইটেমশিংদি অসুন্না ফজনা য়োনবা ঙমখিদে।

পেরিস ওক্সন হাউস আর্টক্যুরেলনা য়ুরো ১৫০,০০০দগী ২০০,০০০ ফাওবগী ভেল্যু ওইগনি হায়না পাব ‘দ সুটিং ষ্টার’দগী টিনটিন দ্রোইং অমা য়াওনা থাংজ নুমিৎতা কোমিক বুক অসিগী অতৈ আইটেমশিংগী অতোপ্পা ওক্সন অমা তৌগনি।

টিনটিনগী অতৈ পোৎ পুন্নমক্কী দিমান্দ অসি অয়াম্বা মতমদা মপি ইরা চেন্না নিলাম ওক্লবা হোৎনরকখিবা কয়া য়াওনা ১৯৮৩দা হেরগে শিখ্রবা মতুংদা য়াম্না কনখৎলকখি।

জুন থাদা অহানবা ফোঙখিবা টিনটিন কোভরগীদমক শিজিন্নখিবা ওরিজনেল দ্রোইং অমা দল্লাসতা থাংজ নুমিৎকী ওক্সন অমদা দোল্লর মিল্লিয়ন ১.১২দা য়োনখি।

ক্লাসিক ওইরবা কোমিক বুক টিনটিন হায়রিবা লাইরিকশিং অসি হৌজিক মালেম শিনবাথুংনা মিল্লিয়ন ২০০ হেন্না য়োনখ্রে অমসুং লোন ৭০ হেনবদা হন্দোকখ্রে।

# সেক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎথোক্লবদা ইরাকি প্রোটেষ্টর ৪ শিখ্রে, পূন্না শিখিবা ৩২০ শুখ্রে



***বাঘদাদ, নবেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ*** এন্টি–গভর্ণমেন্ট দেমোষ্টেটরশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা ইরাককী কোনুং বাঘদাদতা নৌহৌননা ঙরাং নুমিদাং খূৎথোক্নরকখিবশিংদা প্রোটেষ্টর ৪ শিখ্রে হায়না ইরাকি সেক্যুরিটি অমসুং হোস্পিটাল ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী কোনুংদা মরুওইবা থোং অনীগী মথক্তা নাকপাক অনী খৎনরকখিবগী থৌদোকশিং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮৪ শোকখি।

থোং অনীমক অদু অয়ুক অঙনবগী মতমদদি ঈং–তন্না লৈবগুম তৌখি। অহানবা ফংবা পাউশিংদা মীওই অনী শিখি অদুবু শোকখিবা প্রোটেষ্টর ২ কোন্না শিখিবদগী শিব মশীং ৪ শুরকখি। বাঘদাদকী খাদা সিয়াগী হোলি সিটি করবলাদসু ঙরাং নুমিদাং অমুক হন্না খূৎথোক্লখি।

অহরার থোংদা পূন্সিন্দুনা লৈরিবা দেমোনষ্টেটরশিং অদু তাম্থোক্লবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ শিজিন্নরকপদগী বাঘদাদতা প্রোটেষ্টর অমা শিখি।

সিনাক থোংদা টিয়ার গ্যাস কাপ্লকপদা মকোকতা পানবদগী অতোপ্পা প্রোটেষ্টর অমসু শিখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা ইরাক গভর্ণমেন্টকী চলাইফম ওইরিবা চেকশিননা লানবনগুম ঙাক্লিবা গ্রীন জোনদা চংশিল্লকফম ওইরিবা মরুওইবা থোং ৩ সিনাক, অহরর অমসুং জুমুরহিয়াকী শরুকশিং পায়শিন্দুনা লৈরকখিবনি। থোংশিং অদুগী মখাদা অমসুং প্রোটেষ্ট মুভমেন্ট অসিগী হৌরকফম ময়োল ময়াই থংবা টাহরির স্কৱারদসু টেঙ্কশিং খনগৎতুনা থমখ্রে। মফম অদুদা ফাষ্ট–এইদ ভলুন্টিয়ারশিংনা টিয়ার গ্যাস অমসুং নোংমৈ কাপ্পদা শোক্লবা মীওইশিং লায়েঙলি।

করবলা সিটিদা প্রোটেষ্টরশিংনা মোলোটোব কোকটেল হায়না খঙনবা প্রোটেষ্টরশিং অদুনা মশানা শাজবা ফয়ার বোমশিং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা লংশিনখি। মদুদা এন্টি–রাইওৎ পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিং অদুদা নুঙনা থাদুনা পাউখুম পীখি।

লৈবাক অসিগী মরাঙ কায়রবা থাউগী লন–থুম লৈজরবসু গভর্ণমেন্টনা করপসন পাক–চাওনা চথরকপা অমসুং মীয়ামগী তঙাইফদবা থবকশিং তৌদববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লবা লৈবাক অসিগী সিয়ানা মরুওইনা লৈবা খা থংবা অমসুং বাঘদাদকী ষ্ট্রিটশিংদা ওক্টোবর ১দগী প্রোটেষ্ট হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা প্রোটেষ্টর ৩২০ শিখ্রে, লিশিং কয়া শোকখ্রে।

# ফাজিন্দুনা থল্লিবা ফরুক অবদুল্লাহবু মরুওইবা দিফেন্স পেনেল অমদা মেম্বর ওইনা হাপখ্রে



***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ*** লৈবাক্কী তংদু–লৈতাবদা শাথিনা অকায়বা থোকহনবা ঙমগনি হায়বগী মরান শীদুনা অকনবা পব্লিক সেফটি এক্ট (পি এস এ)গী মখাদা ফাদুনা থল্লিবা হান্নগী জম্মু এন্দ কাশ্মির চীফ মিনিষ্টর ফরুক অবুদুল্লাহবু মেম্বর ২১গী কন্সলটেটিব কমিটি ওন দিফেন্সতা মেম্বর ওইনা হাপখ্রে।

নুমিৎ ১০০নি হেন্না মাগী শ্রীনগর য়ুমদা ফাদুনা থল্লিবা মশাগী চহী ৮১ শুরবা নেসনেল কনফরেন্সকী লুচিংবা অদুগী মমিং অদুনা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহনা লুচিংলিবা পেনেল অদুগী মেম্বরশিংগী লিষ্ট অদুগী খ্বাইদগী মকোক্তা য়াওরি।

কমিটিগী অতৈ মেম্বরশিং অদুগী মনুংদা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার মিনিষ্ট্রিনা থোকপা নোটিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টর অমসুং এন সি পি চীফ শরদ পৱার, ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইরবা বি জে পিগী এম পি প্রগ্যা থাকুর য়াওরি। প্রগ্যা থাকুরবু মরুওইরবা কমিটি অসিদা য়াওহনবসি কোংগ্রেস পার্টিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস অদু য়ুনিয়ন গভর্ণমন্টেনা মুখৎখিবা অমসুং ষ্টেট অদুবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্লা খায়দোকখিবা অদুগী পুং খরগী মাঙওইননা ফরুক অবদুল্লাহবু আগষ্ট ৫দা ফাজিন্দুনা থমখি। মহাক্কী মচানুপা অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওমর অবুদুল্লাহ অমসুং অতোপ্পা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিসু ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদগী অতৈ লুচিংবা ৫,০০০ হেনবগা লোয়নননা ফাদুনা থমখিবনি।

এম দি এম কে লুচিংবা ভাইকোনা ফরুক অবদুল্লাহ ফাদুনা থম্বগী মতাংদা থাঙ্গৎলকখিবা হেবিজ কোর্পস অমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা হিয়ারিং তৌগদবা নোংমগী মমাঙ সেপ্টেম্বর ১৭তা মহাকপু অকনবা পব্লিক সেফটি এক্ট (পি এস এ)গী মখাদা মরান শীখিবনি।

নেসনেল কনফরেন্সকী চীফ অমসুং অহুম্লক চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা অসিবু ৱায়েল চখদনা মীওই অমবু থা ৩দগী ৬ ফাওবা জেলদা থম্বা ঙম্বা পি এস এগী ‘পব্লিক ওর্দর’ প্রোভিজনগী মখাদা মরান শীখিবনি।

মহাক শ্রীনগর দিষ্ট্রিক্টতা অমসুং তম্পাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পব্লিক দিওর্দরগী ফিভমদা অকায়বা থোকহন্নবগী অচৌবা শক্তি লৈ হায়না পি এস এ ওর্দর অদুনা হায়খি। মসিদা নত্তনা মহাকপু লৈবাকসিগী মায়োক্তা মীয়ামগী ৱাখল হুমদুনা চৎপা ঙম্বা মীওই অমা ওইবগী মরানসু শীখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-307**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | 9 | 4 | | | | 1 |
| 6 | | | | | 1 | 4 | | 9 |
| 1 | | | 6 | | | 2 | 8 | |
| | 8 | | 4 | | | 3 | | 6 |
| | 6 | 9 | | | 8 | 1 | | |
| | 4 | 5 | | 6 | | | 9 | |
| 4 | | 8 | | 1 | | 9 | | |
| | 2 | | 3 | | 4 | | | 8 |
| 9 | | 6 | | | | | 4 | |

## GAS TODAY

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 17/10/19
alid : 15/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 17/10/19
Valid : 08/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Imphal LPG Service**
Booking : 04/11/19
Valid : 24/10/19
Sl. No. : 5897
Stk : 306
Time : From 08.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 19/10/19
Valid : 12/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 17/10/19
Valid : 15/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 11/10/19
alid : 10/10/19
Sl. No. : 7471 to 7900
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**T D K Gas, Sekmai**
Booking : 03/10/19
Valid : 28/09/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 23/10/19
Valid : 22/10/19
Stk : 306

**Yairipok Gas Service**
Booking : 11/10/19
Valid : 08/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 12/10/19
Valid : 11/10/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**G B D Indane Service**
Booking : 14/10/19
Valid : 07/10/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**সনা–সুদোকু – ৩০৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 7 | 6 | 8 | 1 | 2 | 9 | 3 |
| 8 | 3 | 2 | 7 | 9 | 4 | 1 | 6 | 5 |
| 6 | 9 | 1 | 3 | 2 | 5 | 8 | 7 | 4 |
| 4 | 2 | 3 | 1 | 5 | 9 | 6 | 8 | 7 |
| 9 | 6 | 8 | 2 | 4 | 7 | 5 | 3 | 1 |
| 7 | 1 | 5 | 8 | 3 | 6 | 4 | 2 | 9 |
| 2 | 5 | 9 | 4 | 6 | 3 | 7 | 1 | 8 |
| 1 | 8 | 4 | 9 | 7 | 2 | 3 | 5 | 6 |
| 3 | 7 | 6 | 5 | 1 | 8 | 9 | 4 | 2 |